থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

## লম্মৈ (ফোরেষ্ট ফায়র) অমসুং হিংমিন্নবা

মায়কৈ মরিদা চীংলোন মাপল'না কোয়শিনবা, অপূনবা জিওগ্রাফিকল এরিয়াগী শরুক তরা থোকপগী মাপল'না চীং ওইরগা, অমনা তম্পাক ওইবা 'মণিপুর', নোংনা মরাং কায়রিবা, পাৎ-তুরেল-পুখ্রিনা থন্না লৈরিবা লমদম অমা ওইর'সু, ঙসিদি ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরবা লম অমা হায়বদু তশেংনা ওইরে। মতম অমদা চহী চূপ্পা কংবা নাইদ' চেল্লন্বা ইম্ফাল তুরেল, ঙসিদি ঈচেল লেপখ্রবা, অশিবা তুরেল হায়বদু ওইরে। নোংজু থানা থুংলবগা হিংচাবী'-শক্লোন লৌদুনা পাথোক্তুনা চেল্লগা লৌবুক্কী মহে-মরোং মাঙহল্লরনি, য়ূম-কৈ-ইঙ্খোল কয়া ঈরোন্নুংদা থল্লরনি।

য়ূমথোঙ খুদিং থক্লবা ঈশিং পাইপ ফুমদুনা ঈশিং ফংহন্নবই পান্দমদা লীংখৎখিবা ৱাটর-সপ্লাই (ঙসিগীনা ৱাটর রিছোর্স) দিপার্টমেন্ট, চহী দিকেদ তরুক ইম্ফাল ময়োন্দা লৈরক্লবা ঐগী অমদি য়ূমলোন্নবা কয়াগী ইমুংদদি ঙসি ফাওবা পাইপ অদু য়ৌরক্ত্রি। থক্লবা ঈশিংদগী হৌরগা ফিশূ-ফিজাম, খোঙহাম-খূৎহাম তৌনবা ঈশিং ফাওবা মমল পীদুনা লৈরগা শীজিন্নরক্লি। অদুবু, হন্দক-মরক অসিদি মমল পীদুনা লৈগে হায়রফাওবা ফংদবগী তানফম অমা লাকখি। সহর ময়োল শিংজমৈগী ৱাটর কঞ্জুমরশিংনা, নোংমগী পুং অমখক ঈশিং পীবদুসু থা অমগী মনুংদা নুমিৎ হুমনিদগী হেন্না ফংদবগী অফোংবা ৱাকৎ তাখরে। হায়জনীংলিবদি - চীং, পাৎ, তুরেলনা মরাং কায়রবা লমসিদা ঈশিং তাঙবগী অৱাবা তশেংনা মায়োক্নরে হায়বসিনি। চহী খরগী মমাঙদা লৈরমদবা প্রোব্লেম অমা, ঙসি সিরিয়স ওইবা প্রোব্লেম ওইরকপসিনি।

পূন্নমক্না খঙই-প্রোব্লেম অসি 'ক্লাইমেট-চেঞ্জ' / 'ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম হোংলকপা' / মহৌশাগী শক্তম কায়থরকপগা মরী লৈনৈ। অশংবা চীংনা ঙাঙলৈনবা মচু ওল্লকপসিগা তুরেলগী ঈচেল লেপখিবগা মরী লৈনৈ। উমংগী পাক চাউবা হন্থরকপগা নোংজুগী চাং হন্থরকপগসু মরী লৈনৈ। মালেমগী লৈমায়গা নক্লবা নুংশিৎকী অশাবা হেনগৎলকপা, গ্লোবেল ৱার্মিং হায়নবদুসু 'ক্লাইমেট-চেঞ্জ' গী অতোপ্পা মমিং অমনি।

'এনভাইরনমেন্টেলিষ্ট' হায়না খঙনবা, অসিগুম্বা হীরমসিদা নৈনরিবা মী মখল অদুসু নত্তবা অমনা অসিগুম্বা ৱারেংসি ইরুবদি হৌনদবনি। অদুবু, মণিপুরগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট'কী অখন্নবা থৌশিল অমগী মখাদা ওকেশ্বর-হোমেশ্বর ত্রষ্ট'না অশিন-অরাং তৌদুনা পাঙথোকপা 'উমং কনবা' অমা ওইনা য়াওননবা চেবাউ পীরকপদগী য়াওজরুবা, এক্সপার্টশিংগা খন্ন-নৈনরুবদগী ফংলকপা এক্সপরিয়েন্স অদু মীয়ামদা তমনীংবা ফাওরকপদগী হেক্তা কলম পায়খৎলুবনি। ফোরেষ্ট (উমং) গী ষ্টেক-হোল্ডর হায়বসি, তশেংবদি, উমং মনুংদা নৎত্রগা অকোয়বদা খুন্দারিবা খুন্নীশিং অমদি উমংদুবু য়োকপা-ঙাকপা-শেনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অদুতনা ওইগদবনি। খনখি- ইম্ফাল ময়োন্দা লৈবা ঐহাক্না ফোরেষ্টকী ষ্টেক-হোল্ডর করম্না ওইদৌরিবনো? অমুকসু খল্লকখি - উমংগী পোখোক্তা মপাল তাংবা পুন্সি অমা লেল্লিবা, উমংদা হৌবা উপাল-ৱাপালনা থাদোরকপা ওক্সিজেন, নিংশা শ্বর ওইনা হোনজিল্লগা হিংলিবা ঐহাকসু উমংগী ষ্টেক-হোল্ডর অমা ওইফম থোক্তবরা? ৱাখলসিনা লমজিংলগনি মীফমদুদা য়াওরুবা, পূক্নিংগী ৱা খরা ফোঙদোক্লুবা।

উ য়ান্থৎপা/উমং কোকথোকপনা মীওইবা খুন্নাইদা থোকহল্লিবা অমাঙ-অতা, পুন্সিসিদা পীরিবা অৱা-চৈথেং, ফেব্রুৱারী থাগী অহৌবদা পাঙথোকখিবা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অমগী পাউদম ওইনা তমজখ্রে। ঙসি তমগে হোৎনজরুবা পাউদমসিনা, উমংগী পুন্সি মাঙহনবদা খ্বাইদই চাউবা থৌদাং অমা য়ারিবা, 'লম্মৈ চাকপা' (ৱাইল্ড ফায়র/ফোরেষ্ট ফায়র) হায়বা থৌদৌ অসিগী মরমদা নৈনবনি। মিনিষ্টর/ব্যুরোক্রেট ওফিসর/সোসল ৱার্কর মশেন নৈনবা, শেল লোইশিনবা য়ানবা পাঙথোকপা, মাইন্যুটস রেকোর্দ তৌনবা পাঙথোকপা মীফমদু নত্তে। লম্মৈ চাকপা/থাবগী থবক্তুদা হকথেংননা চেন্নরিবা, থবক্তুগী মাঙজবা নৎত্রগা তোংজবা করিনো খঙদনা থবক অদু পাঙথোক্লিবা মখোয়শিং অদুগা অখঙ-অহৈ/এক্সপার্ট ময়ামদুগা মায়'মায়' ওনশিন্নদুনা ৱারী শাদোক্লবনি, ৱাহং-পাউহং তৌনবনি, ৱাখল তামিন্নবনি। লম্মৈ থাবই থবক্তুদা হকথেংননা চেন্নদ্র'সু, চীংখোং-চীংয়াদা খুন্দারিবা মীওইশিংগা ফম্মিন্নদুনা লম্মৈ-থাবা/চাকপগী অমাঙবশিং খঙমিন্নবা, খঙলমদবা খঙহনবা ... কান্নবা এক্সর্সাইজ অমনি। উমংদা লম্মৈ চাকপা হায়বসি মরম অনীদগী ওইরকই - মীওইবনা থারুবা (থওইনা অপান্ননা থারুবা নৎত্রগা চেকশিন্দবা মতৌদগী) নৎত্রগা মহৌশাগী ওইবা থৌওংদগী চাক্লকপা (নোংমৈ-শীংজং/ব্রজ তাবা নৎত্রগা মৈগী চীং পোকখায়বদগী)।

লম্মৈ চাকপা/ফোরেষ্ট ফায়র হায়বসি চহী চূপ্পা, মতম অমদা হেক্তা ওইরকপা য়াবা থৌওং অমা নত্তে। নোং তাদবা, উনা-ৱানা কেন্দুনা, অকংবা উপাল-ৱাপাল মরাং কায়বা মতমদা ওইগল্লি। মরু ওইনা নিংথম-থা লোইশিল্লকপা মতম। মণিপুরগী ওইনা ফেব্রুৱারী, মার্চ অসিৱাইদা। মৈ চাকপা হায়বসিদা চঙলিবসি মচাক অহুমনি - মৈ, শীং অমদি ওক্সিজেন। মৈ চাকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মচল ওইরিবা 'ফুঅল' (থাও/শীং) অদুগী হৌরকফমদি উমংনি। ওক্সিজেন হায়বা গ্যাস'তুসু মালং/নুংশিৎ'সিদা য়াওজবনি, উমংগী উপাল-ৱাপালনা শুংজরকপনি। উমংগী মৈ (লম্মৈ/ফোরেষ্ট ফায়র) হৌরকপগী মরম, চাদা মরিফুমঙাদি (মণিপুরগী ওইনদি চাদা চাম্মা) মীওইবনা থোকহনবনি। লম্মৈনা থোকহনবা অমাঙ-অতা ঐখোয়না ৱাখল তামিন্নরবা, লায়না কনবা ঙমগনি। মরমদি, মৈ চাক্লবগীদমক্তা 'মৈ চূবা' হায়বা থবক অমা চঙই তঙাইফদনা। পামলৌ উনবগীদমক্তা থওইনা লম্মৈ থাবা নত্তবা, পিকনিক চৎপা/কেম্প-ফায়রগী শেংনা মূত্থৎহৌদবা মৈ, চুরুট থকপা মীশিংনা মূত্থৎতনা লংথোরকপা চুরুট মতেক, অমোৎ-অকায় মৈ থাবদগী মৈ-ৱায়খিবা... অসিনচিংবসিসু ফোরেষ্ট-ফায়র হৌরকপগী মরু ওইবা মরমশিংনি। ফোরেষ্ট-ফায়র, লম্মৈ চাকপা হায়বসিনা ঈকং-থোকপা, ঈচাও-থোকপা অনীমক্কী মরম ওইবতা নত্তনা 'গ্লোবেল-ৱার্মিং'/'ক্লাইমেট চেঞ্জ' হায়বা ইস্যু অসিগী হৌরকফমসু ওইরিবনি। মসিগী মথক্তা তাঙলবা পাম্বী, হৈপাল-লৈপাল, তীল-কাঙ-শা-উচেক কয়া মালেমসিদই মূৎখিবা; লৈবাক্কী লৈহাও মাঙহন্দুনা পোখোক-চাথোক হন্থহল্লকপা; নিংশা শ্বর হোন্নবা, লেম্না ফংবা নুংশিত্তা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং হন্থহনবদসু, 'লম্মৈনা খ্বাইদই চাউবা থৌদাং লৌই' হায়বসিমত্তং খঙমিন্নবদুনি - 'হিংমিন্নবা'।

# চহী ৬৫ শুরবী মশা মউ ফবী

লৌশিং পুক্কে

## নুপী অমনা কেলোরি কয়া য়াম্না চাবা মথৌ তাবগে?



মীওই অমনা নোংমদা মথৌ তাবা কেলোরিগী চাং অসি মীওই অদুনা চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না অহোংবা লাকপরা? চহী য়াম্বা হেনবা মীওইশিংনা কেলোরিগী চাং হন্থনা চাগদ্রা নৎত্রগনা মখোয়গী দাইটতা অতোপ্পা অহোংবশিং মথৌ তাবরা? নুট্রিসনিষ্টশিংগী মতুংইন্না ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমশিং মখাদা পীরি।

মীওই অমনা নোংমগী ওইনা মথৌ তাবা কেলোরিগী চাং অসি মীওই অদুগী মশাগী চহী, মশাগী অৱাংবা, মশাগী অরূম্বা, অমদি মীওই অদুনা তৌবা এক্টিভিটি লেবেলনচিংবা ফেক্টর কয়া অমনা লেপ্পী।

জেনরেল ওইনা য়েংবদা মশাগী চহী ২৬ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ময়ায় ওইরপ্লা এক্টিব ওইবী নুপীশিংনা মশাগী হকচাংগী অরুম্বা চাং চানা থম্বা ঙম্নবা অমদি হকচাং ফনা লৈনবগীদমক চাউরাক্লা নোংমদা কেলোরি ২০০০ রোম চাবগদবনি হায়রি।

অদুবু হায়রিবা চাং অসি মথক্তা পনখ্রিবা ফেক্টরশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা চাং য়াম্না খেন্নবা য়াই।

মশাগী চহী ৫০গী মথক্তা লৈরবা নুপীশিংগী ওইনদি, মখোয়গী হকচাংগী অরূম্বা মেন্টেন তৌনবগীদমক কেলোরি হন্থনা চাবা মথৌ তাই। মসিগী মরমদি ঐখোয় মীওইবা অসি অহল ওইবা হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা মসল মাস হন্থরকই অমদি এক্তিব ওইবগী চাংসু হন্থরকই।

জেনরেল ওইনা য়েংবদা, এভরেজ ওইনা মশা মউ ফবী মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবী নুপীশিংনা মশাগী হকচাংগী অরূম্বা মেন্টেন তৌনবা অমদি হকচাং ফনা থম্বা ঙম্নবগীদমক নোংমদা কেলোরি ১,৬০০ দগীনা ২,২০০ ফাওবগী চাংদা চাগদবনি।

হেন্না এক্তিব ওইবা নুপীশিংনা মথক্তা পীরিবা চাগদবা কেলোরিগী রেঞ্জ অসিগী মনুংদা অৱাংবা চাং অদুদা চাগদবনি, অদুগা মশা লেঙথোক লেঙশিনগী চাং হন্থবা নুপীশিংনা রেঞ্জ অসিগী অনম্বা চাং অদুদা চাগদবনি।

অদুমওইনমক, চহী ৬৫ শুরবী নুপী অমনা অমনা মহাক্লা চহী ২০ শুবা মতমদা চাবা মথৌ তাখিবা কেলোরি চাং অদুদগী হন্থনা চাবা মথৌ তারগসু অকক্লবা ন্যুট্রিয়েন্ট খরদি নহাশিংনা চাবা মথৌ তাবা চাং অদুগা মান্ননা নৎত্রগা মদুদগী হেন্না চাবা মথৌ তাই।

খুদম ওইনা, মসলগী ময়েং তাথরকপা হায়বসি চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা মহৌশানা থেংনগনবা থৌওংনি। মসি তৌহন্দবদা মতেং পাংনবগীদমক চহী ৬৫গী মথক্তা লৈবী নুপীশিং মখোয়না নোংমগী চারিবা কেলোরিশিং অদুগী অয়াম্বা শরুক্তি প্রোটিনদগী ফংনবা হোৎনগদবনি। অসুম্না চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা মসলগী ময়েং তাথরকপগী থৌওং অসিবু সার্কোপেনিয়া হায়না খঙনৈ। মসি অহল ওইরবা মীওইশিংদা পাঙ্গল শোন্থহনবা অমদি শরূ তেকপনচিংবগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরম্নি।

মসিদা নত্তনা চহী ৬৫ হেল্লবী নুপীশিংনা হেন্না মরাঙ কায়না চানবা হোৎনগদবা অতোপ্পা ন্যুট্রিয়েন্ট খরা মখাদা পীরি:

ফাইবর : মসি কনষ্টিপেসন অমদি দাইভর্টিকুলাইটিসকুম্বা থিবোঙ থীরিলগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিংদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক মথৌ তাই।

কেলসিয়ম অমদি ভিটামন দি : শরূবু নহাগুম্না মপাঙ্গল কন্না অমদি মশা ফনা থম্বদা মতেং পাংনবগীদমক মথৌ তাই।

ভিটামিন বি১২ : চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা চারিবা চীঞ্জাকশিংদগী হকচাংনা ভিটামিন বি১২ চুপশিনবদা ৱাবগী চাং হেনগৎলকপা য়াই। মরম অদুনা চহী য়াল্লবা মীওইশিংনা ভিটামিন বি১২ হেন্না চাবা মথৌ তাই।

আইরন : আইরন ৱাৎপগী খুদোংচাদবা অমদি এনেমিয়া হায়বসি অহল ওইরবা মতমদা তোয়না থেংনগল্লি। মরম অদুনা আইরন হেন্না চাবা মথৌ তাই।

মথক্তা পীরিবা চাং হেন্না চাবা মথৌ তাবা ন্যুট্রিয়ন্টশিং অসি হকচাংনা ফংবগী চাং হেনগৎনবগীদমক উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং, লীন মিট, শঙ্গোমগী পোখোকশিং অমদি ঙানচিংবা মরাঙ কায়না য়াওবা দাইট চাগদবনি।

## লন্দনদগী দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টনা ৱাফম কয়া থল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ : লন্দনদা চঙজফম লৌরিবা দি জ্যুরি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর (গভর্ণমেন্ট ইন এগজাইল) গী মায়কৈদগী ৱাফম কয়া থল্লক্লি।

দি জ্যুরি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর (গভর্ণমেন্ট ইন এগজাইল) লন্দন, য়ুনাইটেদ কিংদমগী চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটকী মীদিয়া সেক্সনগী মাইবম য়ূমজাওনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হান্নগী মিনিষ্টর ওফ ফোরেন এফেয়রস, দিফেন্স অমসুং ফাইনান্স ইন চার্জ ওইরম্বা সমরজিৎনা মণিপুর ইমা লৈবাক্কীদমক অমদি মণিপুর মীয়ামগীদমক মতম খরা লন্দনদা লৈরমদুনা দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টকী থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা য়াওরম্বা অদুগীদমক্তদি দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সলাইগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা প্রেসরগা মরী লৈনবদা সমরজিৎনা মহাক মণিপুরদা থোক্লক্লনি হায়না সোসল মীদিয়াদা পোষ্ট তৌরকপা অদু দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টনা খঙলকখি। মহাক্না মণিপুর মীয়ামদা থোক্লক্লগনি হায়রবনিনা সমরজিৎনা পায়রম্বা ফোরেন এফেয়রস, দিফেন্স অমসুং ফাইনান্স ইন চার্জকী ফমশিং অদু কুমজা ২০২১গী মার্চ ২০দা গভর্ণমেন্ট ওফিসল ওর্দর অমা থোক্তুনা মঙোন্দগী ফমশিং অদু লৌথোকখি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর ওফ দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টনা ফমশিং অদু পায়শিন্দুনা লাকখি।

সমরজিৎনা লন্দন থাদোক্লগা চৎখিবা অসি দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টকী চীফ মিনিষ্টর ৱাই বিরেনদা খঙহল্লম্বা অমত্তা লৈতে। মহাক চৎপদি শোয়দনা চৎখ্রগনি হায়বদি মাগী মওং মতৌ অদুনা খঙবদি লৈখি। মঙোন্দা লৈখিবা দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টকী ওফিসর দোক্যুমেন্টশিং পীখৎলক্লবা হায়বদা উৎলৈ পালৈ তৌদুনা মতম লৌরগা লৈখিবনি। চীফ মিনিষ্টর য়াম্বেম বিরেনগা কুমজা ২০২১গী মার্চ ২৪দা মহাক্না ফোন্দা লন্দনগী মতমদা অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা মতমদসু মহাক মণিপুর চৎলনি হায়বা ৱাফম করিমত্তা খঙহল্লকখিদে। দেল্লীগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা এন আই এ ওফিসলনা সমরজিৎ ফারে হায়বা পাউ পাউচেশিংদা ফোঙনরক্লবা মতমদতা মহাক ফারে হায়বসি খঙখি। সমরজিৎ মশানা দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টতগী ভলন্টরি রিজাইন তৌজরে হায়না চে থারম্বদি লৈতে। অদুবু দি জ্যুরি গভর্ণমেন্টকী ওইবা থবক থৌরম অমত্তদদি মঙোন্দা শিন্নরকখিদবদি য়াম্না কুইরকখ্রে।

সমরজিৎনা মণিপুরদা থোক্লকপদা ঐখোয়গী মীয়াম্না পূক্নিং ৱাখল করি অমত্তা শোন্থবীগনু হায়জরি। সমরজিৎনা করিগুম্বা থবক অমত্তা চঙশিল্লম্বা নত্তে। হৌজিক চীফ মিনিষ্টর য়াম্বেম বিরেননা প্রোসেস পূন্নমক খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লিটরেরি ক্যুইজ ১৪গী ৱিন্নর অনন্দকুমারনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস): পাউচে অসিগী লেপ্পা লৈতনা চৎথরকপা লিটরেরি ক্যুইজগী তাঙ্কক ১৪গী ৱিন্নর তাউথোং অয়ুংবা ময়াই লৈকায়দা লৈবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে।

লিটরেরি ক্যুইজগী ১৪শুবা তাঙ্ককী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমারনা ফোঙদোকখিবদা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজগী ৱিন্নর হন্না-হন্না ওইরকপদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। অদুবু হায়রিবা ক্যুইজ অসিবু শরুক য়ারকপগী চাং নেম্লিবসি তশেংনা নুংঙাইতে। পাউচে অসিনা হাপ্পিরিবা ক্যুইজ কন্টেষ্ট অসি মগুন লৈনা লৌবিবগা লোয়না মহৈরোয়শিংদা নৎতনা অহল্লোন-নহারোল খুদিংমক্না শরুক য়াহন্নিংই। থীজিন্নবদা-নৈনবদা য়াম্না কান্নবা ফংগনি। ৱাখল লৌশিং হেনগৎকনি খল্লি।

মহৈ তম্বদা লৌশিং তানশিনবা হায়বসি লোইবা নাইবা নত্তে। করি কান্নদোইনো হায়না খনবিগনু। ঐহাক্কী ওইনদি ফংলকপা শেলগী মনা অসিনা অনৌবা অরিবা মরুওইবা লাইরিক কয়া লৈদুনা পাবা ফংজবদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাই। লোয়ননা ঙসিগী



খুদোংচাবা অসি লৌজরগা মরি লৈনবা পূন্নমক্তা আপিল অমতং তৌজরি মদুদি তাউথোং অয়ুংবা (লমশাং) মায়কৈদা য়ুমথোং খুদিংনা থক্লবা ঈশিং মরাং কাইনা ফংবা ঙমদনা লৈরি। পাইপ য়ৌদবা মফমশিং লৈরি। ঈশিংগীদমক

ঙসিসু থাপ্ন-থাপ্না ঈশিং শোকপা চৎনরি। পাইপ ফুম্বা লোইশিন্দবনা পাইপতগী ঈশিং অরেম্বদা থাদোক্তুনা মাঙহল্লি। পাইপ নিংথিনা য়ৌহন্দুনা য়ূমথোং খুদিংদা থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবিয়ু। টেক্স লৌদুনা লৈঙাক্কী রেভিন্যুসু হেনগৎহনবা ঙমগনি। অদুগা ইলেক্ট্রিককী মতাংদসু পেন্দবা পোক্নরি। অয়ুক, নুংথিল, নুমীদাংগী মতমদা ঙাইহাক লৈতনা মৈ মুথৎলকপনা মীয়ামদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি। মরম চানা মৈ লাক্তবা মতমদদি করিসু হায়নিংঙাই লৈতে। মরি লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## 'ওথোরিটিগী মায়কৈদগী করি ফিরেপ লৌরবগে হায়বদু খঙহল্লু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ, শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দ দেব ম্যুজিক কোলেজ অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী মহৈরোয়শিংবু এম এদা মিং চনবা য়াহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা চথরকপা খোঙজং থা ৫ শুরকপা অসিদা হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটিগী মায়কৈদগী করি ফিরেপ লৌরবগে হায়বদু লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না জে এন এম দি এ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এম মোমোচা, এস এস বি দি এম সী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ মহেন্দ্র অমসুং জি দি সী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেল শক্লাইবী পিনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা মহৈরোয়শিংগী অচুম্বা দিমান্দ নাথৈদুনা চৎপা, থাজবা হাৎপগী থবক তৌবীগনু। হৌজিক য়ুনিভর্সিটি অসিনা কোনুং মমাঙদা লৈবা গভর্ণমেন্ট দান্স এন্দ ম্যুজিক কোলেজদগী হোংদোক্তুনা চেল্লগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ক্লাস হৌবা নৎত্রগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী এক্টিভিটিশিং চথুবীগনু। করিগুম্বা মসিগী মায়োক্তা থবক চথরক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং ওথোরিটিগী ওইগদবনি।

হৌখিবা থা অনী মখায়রোম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভি সী অমসুং রেজিষ্ট্রার হাপখি। অনৌবা ভি সীনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা এম এদা মিং চলহল্লু হায়দুনা দিমান্দ তৌরিবা মহৈরোয়শিংদা মমাঙদা থাজবা কয়া পীরমখ্রে। অদুবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটিনা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট দান্স এন্দ ম্যুজিক কোলেজকী কেম্পসতা লৈরিবা এম য়ু সী অসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা ন্যু লাইফ পব্লিক স্কুল কৌবা প্রাইভেট স্কুল অমদা হোংদোক্তুনা চেননবা পোৎ চৈ হোল্লিবা থৌওং অসি য়াম্না মওং হুক্তবা, থৌদাং য়াওদবা মীচেলগী থৌওংনি হায়না লৌই। মহৈ তম্বা ফংহল্লু হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ফিরেপতি করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা মহৈরোয়শিংগী দিমান্দ অসি পীবিদ্রবদি কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসি হাংবা শুংয়া য়ারোই হায়বসিনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এম য়ু সীগী ভি সীনা একাদেমিক কাউন্সিল অনীরক অমদি এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মীটিং অমগা পূন্না অহুল্লক মীফম পাঙথোকপদা জি দি সী, এস এস বি দি এম সী অমসুং জে এন এম দি এগী মহৈরোয়শিংবু এম এদা মিং চলহন্নগী ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমখিদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। খোঙথাং অসিদি মণিপুর কলচরগীদমক চহী ৬০ হেল্লবা কলচরগী ইন্সটিট্যুসনশিং অসিবু হাৎপনি। মহৈরোয় কয়াগী পুন্সিবু খোঙ্গাওনবনি। হৌজিক লৈরিবা এম য়ু সীগী ভি সী অসি মমাঙদা এম য়ু কাঞ্চিপুরদা দান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি ওইনা লৈরিঙৈদা হৌজিক এম য়ু সী অসিদা মীং চনবা য়াদে হায়দুনা অথিংবা থল্লিবা জি দি সী, এস এস বি দি এম সী অমসুং জে এন এম দি এগী মহৈরোয়শিংবু এম য়ুদা দান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টতা এম এ মিং চনবা য়াহনফম থোকই হায়দুনা য়াহল্লি। অদুগা এম য়ু সীদনা অমুক এম এদা মিং চনবা য়াররোই হায়দুনা ফিরেপ লৌশিল্লকপা অসি অঙকপা পোকই। কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসিনা জি দি সী, এস এস বি দি এম সী অমসুং জে এন এম দি এদগী থোরকপা মহৈরোয়শিংনা অন্দর গ্রেজুয়েসন্দা তম্বা য়াবা অদুগা এম এদদি তম্বা য়াদে হায়বগী ৱাহন্থোক করিনো, মীয়ামদা শেংদোকপীয়ু।

এম য়ু সীদা গভর্ণমেন্ট দান্স এন্দ ম্যুজিক কোলেজ অমসুং জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা কলচরগী চহী ৫/৬কী বিসারদ/দিপ্লোমা সর্টিফিকেট পায়রবা লোয়ননা শকখঙলবা য়ুনিভর্সিটি অমদগী মশাগী ক্বালিফিকেসনগী দিগ্রী পায়রবা মহৈরোয় খুদিংমক্না ইন্দিয়াগী কলচরেল য়ুনিভর্সিটি খুদিংমক্তা মিং চনবা য়াই। অদুবু এম য়ু সীদদি এম এদা মিং চনবা য়ারোই হায়বা অসিদি মহৈরোয় ৪/৫না গুন্দা শাবা খুনুনা মথোঙদা কনবা অপিকপা ৱাখলগী থৌওংনি। মিং চনবা য়ারোই হায়দুনা থিংলিবা অসিগী পান্দমদি মখোয় মি খুজোক খরখক এম এ তম্লগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকল্টি লৌরকপদা মখোয় খরখক্না খুদোংচাবা লৌগদবনি হায়বা অসিনি। অসিগুম্বা মহৈরোয় খূৎপু অসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু। তৌনীংবদা তৌহল্লগা থল্লিবা করিগীনো মসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। এম য়ু সীনা হৌজিক্তি এমাদেমিক কাউন্সিল অমদি এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমদে হায়বগী মরম অসি এম য়ু সীগী চান্সেল্লর ওইরিবা গভর্ণরনা লেটরেল এন্ট্রি ওইনা বি এদা মিং চন্নবা অয়াবা এসাইন পীথোকখ্রে। অদুনা হৌজিক অমুক অনৌবা ৱারেপ অমা লৌররোই হায়দুনা লৈথোক্লি।

ঐখোয়না হংনীংলিবদি চান্সেল্লর ওইরিবা গভর্ণরনা হায়খ্রবদি লাল্লবসু তূমিন লৈয়ু, লানগেরা চুমগেরা ৱা ঙাঙবা য়াদে হায়দুনা লৈগদ্রা, চুমথোকপীনবা থবক অমদি ৱাখল তাহনবীনবা খোঙথাং অমত্তা কনা অমত্তনা লৌখৎপীদবসি করিগীনো। অসুক শাংলবা মতম অসি ৱাথোক ওইহন্দুনা থল্লিবা করিগীনো। ৱাথোক অসি লোইশিন্দদুনা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিগী তুংগী করিয়র কন্ননবা চীফ মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লৈবাক মীয়ামগী মমাঙদা মণিপুরগী কলচরবু নুংশি, অৱাংবা থাকনি হায়না ৱা ঙাঙলগা ৱাথোক অসিদা কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লৈবগী থৌওং চথুবীগনু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### নুপীবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎক্লদবনি হায়না চহী কয়াদগী লাউরবসু ঙসিসু থেইনা অহোংবা লৈত্রি



নুপী ওইবিশিংবু অৱাংবা থাক্তা থমগদবনি মখোয়গী রাইট মতিক চানা ফংনবা হোৎনগদবনি হায়দুনা চহী কয়াদগী লাউদুনা লাক্লবসু অমদি চহী খুদিংগী ৱিমেন্স দেগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লবসু ঙসিসু অদুমক মালেমগী লৈবাক কয়াদা তোঙান-তোঙানবা ওৎপি-নৈবিবগী থবক কয়া অদুমক লেপ্পা লৈতনা চৎথরি। খ্বাইদগী নুংঙাইজদবা অমনা মণিপুর ইমা লৈবাক অসিদা মালেমগী ওইনসু অহানবা ওইনা থোকখি হায়নরিবা নুপী লালগী হৌরকফম ওইরবসু অমদি লমদম অসিদা নুপী খুন্নাইবু অৱাংবা থাক্তা থল্লি হায়নরবসু অদুমক নুপীশিংগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা ওৎপী-নৈবিবগী থবক কয়া অদুমক চৎথরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা চাং খরা ৱাংখৎলকপগী ফীভম অমদা লাক্লি। নৌজরিবী নুপী কয়াবু ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা তেমশিংনবিবা, অউনপোৎকী চৈথেংনা হু থকপা, থৌরি য়ান্দুনা শিবা কয়া লমদম অসিগী লৈতেং ওইরে। ঙসি মমাগী মশক ওইরবা মচাবু য়োকপী থাকপীগদৌরিবা মচাবু শেন্নগদৌরিবা নুপী ওইবিগী পুন্সিবু লমখাংদা পুন্সি পীখন্নহল্লবদি কংলৈপাকসি করি ওইহৌগনি খন্থমিন্নসি।

❐ বিমোলা চনম, মালোম তুলিয়াইমা

### মণিপুরী লোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্না অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদ্রি



মণিপুরী লোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লমদম অসিগী লুপ কয়া অমদি মীপুম খুদিংমক তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। মখোয়না হোৎনবিরম্বা অদুনা ঙসিদি মণিপুরী লোল নিপানশুবা সেদ্যুলদা চনবা ঙমখ্রে। লোয়ননা মণিপুরী ময়েক অসিসু ঙসিদি এম এগী থাক্তা ফাওবা তম্নবা হৌখ্রে। ইকুই কুদ্রিবা থা খরগী মমাংদা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা রাজ্য সভাগী মেম্বরনা পার্লিমেন্টদা মণিপুরী ময়েকপু শেনয়েক্তা হাপ্পবা হায়খিবা অদু ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই অমদি য়াইফবনি হায়না খল্লি। তশেংনা খোঙথাং অদু থাগৎনিংঙাইনি। মরমদি মণিপুর হায়বা ইরমদম অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী নিংথৌ পান্দুনা মনিং তম্না লোল, ময়েক অমদি নাৎকী ওইবা ফজরবা পুৱারী লৈজবা লমদম অমনি। অকনবা শাফু অমনা চহী কয়া লমদম অসিগী থাইনদগী লৈজরক্লবা ইরোল ইয়েক শিথরুরে। অদুবু মতমগী মতুংইন্না মরমদম, মমালোল অমদি ইয়েকপু নুংশিজবা মীওই কয়ানা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবিবগী মহয়না ঙসিদি ইমালোল অমদি ইয়েক অমুক হন্না ফজবা মওংদা হিংগৎলকপা অসি নুংঙাইবা অমনি। অদুবু ঙসিসু ইমালোল অমদি ইয়েক্কীদমক ঐখোয় পূন্নমক্লা হোৎনমিন্নগদবা য়াম্না ৱাৎলি হায়জনিংই।

❐ চোংথাম বিমোল, লাংথবাল কুঞ্জা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।০৪।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা;
লমতাগী ২৪ নি পানবা।

মেষ : থেংলপ্পা মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি, লাইবক ফগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি। লৈঙাক্কী লম্দদি কাইনবা অমদি ঈরাং তৌবনা মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : নচাক নরল চাওখৎপা, মীনা থাগৎপিবা অমদি পোরম শিনবা হৈবা লৈ। অদুবু খোইরাংবা ফাথৌ অমদি হেন্না মরম চাদনা খুৎচাও থাবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোকপা পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন : পুং ৯ ফাওবা অফবা খোঙশাল লৈগনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা, অরং অরাক ফংবা য়াবা অমদি মরুপ মপাং লোয়নবগী নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : নীংজবা থুংগনি, অনীংবা অফবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি মরুপ মপাংনসু লুনা তৌবীগনি। খল্লদবা কান্নবা লাক্ননি-পাউসু নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : থেংলপ্পা নীংজবা থুংগনি, মীচং খোম্বসু য়াগনি অমদি মরুপ মপাং নত্রগা নথক থোংবগী মতেংনা পাংঙমদবা থবক লায়না পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনম তানগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : মতম মাঙবনা হেনগনি-অদুনা খূৎ চাওগনু। নঙগী ওইবা মী লোয়নবা অমদি থৌনা লৈনা হোৎনবগী কান্নবা হান্নগুম ফংগনি। য়েৎনবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

তুলা : অয়ুক্তা লাইবক ফগনি অমদি থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি। খন্থদনা অনৌবা মরুপ লোয়নগনু অমদি য়েক্লবনা মাঙহন্নবা শিল্লি হায়বা কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- থিবা হুম্বা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : লাই গুরুনা চানবীরনি, শেন্দোং ফংজবা, ৱাখল থোকপা অমদি কান্নবা নুমিৎনি। ইমুংদা হুরানবনা তাথি অমদি নোল্লুক্তুদি পুক্নিং নুংশিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : অয়ুক্তা হরাওবা, শেন্দোং ফংগদবা অমদি লাইবক ফগদবা খোঙশাল লৈগনি। ঙাঙ শকপা হৈবনা মরুপ মপাংবু খোমজিনগনি অমদি থৌ পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : নীংবা থুংগনি, মীচংসু হেনগনি অমদি অনৌবা অশা লাক্ননি নথক থোংবনা থাগৎপিগনি, য়েক্লববু লাকশিনগনি। নচাক-নরলদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : অফবা থবক্তী পুং ৯ মমাঙদা পাংবা হৌহৌবা ফগনি - মতুংদদি খুৎচাও থাগনু। হান্নদগী পাংলকপা থবক্তি চাওখৎকনি। অঙম্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : থবক পাংবতা নত্তনা ওইজ-ওইথকসু শোইদনা ফংজগনি। য়েক্লবনা কোক শাহনবা লৈরসু নোল্লুক্লবু চৎচরদি মাঙবা লৈরোই। মীয়াম্না য়ারি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।